# MANIPURI

## ( PAPER—II )

( LITERATURE )

| Time Allowed : Three Hours | Maximum Marks : 250 |
|---|---|

**ꯃꯇꯥꯡ** 

**ৱাহংশিংগীদমক অখন্নবা ৱারোল**

**পাউখুম ইদ্রিঙৈদা মখাদা পীরিবা ৱারোলশিং অসি চেকশিন্না পাগদবনি**

কাঙলূপ অনীমক (Section A and B) পূল্লগা ৱাহং নিপাল য়াওরি।

কেন্দিদেতশিংনা ৱাহংশিং অসিদগী ৱাহং মঙাগী পাউখুম পীগদবনি।

ৱাহং নম্বর **1** অমসুং **5** তি তঙাইফদনা খুমগদবনি। লেমহৌরিবা ৱাহং অহুম্না কাঙলূপ অনীমক্তগী অমমমদগী তাদনা খল্লগা পাউখুম পীগদবনি।

য়েৎথংবা লাপান্দা ইরিবা মশীংশিং অসি ৱাহংগী মার্কনি।

মণিপুরীদা (বাংলা ময়েক্তা) পাউখুম ইগদবনি।

পাউখুমগী অকক্লবা ৱাহৈ মশীং পীরম্লবদি মদু ইনগদবনি।

ইরম্লিবা পাউখুমশিং অদু মথং-মনাও নাইনা লৌগনি। শরুক খরদমক ইরম্লবসু মদু ককথৎলমদ্রবদি পাউখুম ওইনা লৌগনি। ৱাহংগা কোন্নবা পাউখুম চেদুদা (Question-cum-Answer Booklet) হাংহৌরিবা লামায়শিং অদু ময়েকশেংনা ককথৎলমগদবনি।

---

# MANIPURI

## ( PAPER—II )

( LITERATURE )

| Time Allowed : Three Hours | Maximum Marks : 250 |
|---|---|

**QUESTION PAPER SPECIFIC INSTRUCTIONS**

**Please read each of the following instructions carefully before attempting questions**

There are EIGHT questions divided in two Sections.

Candidate has to attempt FIVE questions in all.

Question Nos. **1** and **5** are compulsory and out of the remaining, THREE are to be attempted choosing at least ONE question from each Section.

The number of marks carried by a question/part is indicated against it.

Answers must be written in MANIPURI (Bengali script).

Word limit in questions, wherever specified, should be adhered to.

Attempts of questions shall be counted in sequential order. Unless struck off, attempt of a question shall be counted even if attempted partly. Any page or portion of the page left blank in the Question-cum-Answer Booklet must be clearly struck off.

## SECTION—A

**1.** মখাগী ৱাহংশিং অসি ৱাহৈ *150* দগী হেন্দনা খুন্মু : 10×5=50

(a) হাউনু চাখানু কনানো, করম্না মহাক্না মপুরোইবগী মতেং পাংখিবগে ইরকউ।

(b) লংমাইশিংনা কোয়শিনখ্রবা হোংনেময়োয় খুঞ্জাও অমদি পীতঙঙা অনীগী কায়নরমদাইগী অৱাবা মিকুপশিং অদু অশৈবনা করম্না য়েকপগে ইয়ু।

(c) লাঞ্জদবী খুমন চনু চক্পা শম্ফবীনা ফংখিবা চৈরাক অসিগী মহৈ মতুং তারকপদা করি ওইখিবগে ইয়ু।

(d) 'চন্দ্রকীর্ত্তি জিলা চঙবা'দা বিলাট মপূং য়ায়গী লাট সাহেবকা মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তিগা ফম্মিন্নখিবা দরবারগী মরুওইবা মরম অদু ইয়ু।

(e) নাপন চাউরবা পরশুরামবু রামনা মায়থীবা পীখিবগী 'আদিকাণ্ড'গী মতাংদু লীরকউ।

**2.** ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম খুদিংমক খুমগদবনি :

(a) 'পাম্বোইবী খোঙ্গুল' হায়বা লাইরিক অসিদা মৈতৈগী করম করম্বা কলচরগী মশক য়াওরিবগে? খুদমগা লোয়ননা শন্দোক্না তাকউ। 20

(b) ''রাজা নিংথৌ মপাবীশিংবু লৈবাক খুন্নিংথৌ ওইনগে হায়না নিজরবদি পীদফরোইএ। নিংথৌ নুংসুঙ চীংঙু থোইনা লাইবক ফবনে।''

নিংথৌ অদু কনানো, করম্না মহাকপু লাইবক ফবনি হায়রিবনো ইরকউ। 15

(c) 'চন্দ্রকীর্ত্তি জিলা চঙবা'দা মাইবমচা তম্রসিংহনা করম্বা মরুওইবা থৌদাং লৌখিবগে ইরকউ। 15

**3.** ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম খুদিংমক খুমগদবনি :

(a) করি মরমদগী মৈদিংঙু থোংনাং ময়াম্বনা সমসোক মপাল ফুক্না লাম্থেংনদুনা মায়থীবা পীনবা হোৎনখিবনো ইয়ু। 20

(b) 'নাউথিংখোং ফম্বাল কাব'দা অশৈবনা পীতঙঙা লীক্লু লৌথিবীগী শক্তম য়েকপদা নুংশিবগী শক্লোন কদায় ফাওবা য়ৌশিন্না উৎপা ঙম্বগে ইয়ু। 15

(c) খ্বাই নোংজেংবম পিবা য়েকমা হাওদংলানা হৌখিবসি অওৎ-অনৈ লৈঙাক্কী মায়োক্তনি। নিংথৌ-লৈঙাক্কী চৎনবীগী মায়োক্তা নত্তে, নৈনৌ। 15

**4.** ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম খুদিংমক খুমগদবনি :

(a) ''ময়ায় চনবা মণিপুরী সাহিত্যদা অকন অথৌগী মশক উৎপদগী লাইনীং পৱে চেৎপা, তাইবঙ মপুবু চেৎনা নীঙবা মীওইশিংগী শক্তম উৎপদা অইবশিংনা হেন্না পূক্নিং চঙলম্মি'' হায়বসি 'ধনঞ্জয় লাইবু নীঙব'বু খুদম ওইনা লৌখত্তুনা নৈনৌ। 20

(b) ''তম্পা ঈশানৌ নঙপু শেল্লোয় ঈচিঙলেল অসিদা য়াংগোইমিন্নরসে। তম্পা নরাল ওন্দেরকুনো হায়না পাওমেনপপু তম্পা ৱাংঙল্লোন্না হোয়য়াতে।''

তম্পা ৱাংঙল্লোন অসিনা করিগীদমক য়াখিদ্রিবনো মরম পীদুনা নৈনরকউ। 15

(c) লাইরেন ঐনা খরায় লাইকলফিনা কনয়োল্লে, ইমু শিয়োমলানা য়োম্ববু য়োময়োল্লে, লাইরেন ঐনা লুখুম থাংগাশৎনা খোইয়ুম লাইকলচরবু কনয়োল্লে, হায়রুও।

করম্বা ফিভমদা কনানা হায়খিবনো? মতাংসি য়ৌরকখিবগী থৌদোকশিংদু লীরকউ। 15

## SECTION—B

**5.** মখাগী ৱাহংশিং অসি ৱাহৈ *150* দগী হেন্দনা খুন্মু : 10×5=50

(a) 'নোঙ্গুল্লকখোদা' হায়বা শৈরেংদা 'য়াম্না অশৈবা চৈজিং খুমাব'দা শৈরেংবনা করি হায়নীংলিবগে ইরকউ।

(b) " 'অরেপ্পা মরূপ'তা চন্দ্রসিংহগী পুন্সিগী অৱা-পোলোইদি মশানা শেমজবনি।"

কদায় ফাওবা য়ানীংবগে ইয়ু।

(c) মণি-মমানা ঙাক্রা অচৌবা অনী পুরকপদা মপুরোইবনা করিগী অদুক কন্না শাউরিবনো? মপুরোইবগী অশাউবদু করম্না ইংথখিবগে ইয়ু।

(d) মাধবীগী পুকচেল হোংবগী মরুওইবা মরমশিংদু করি করিনো ইয়ু।

(e) "করিগুম্বা শাশিং অসিনা মীগুম ৱাখল লৈরম্লবদি লম কারাম্বা মীওইবগী মথক্তা অচৌবা আন্দোলন অমা তৌরমগনি।"

ৱাফম অসিনা কৈবুল লমজাউগী মাঙথরক্লিবা ফিভম অইবীনা কদায় ফাওবা উৎপা ঙম্বগে ইরকউ।

**6.** ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম খুদিংমক খুমগদবনি :

(a) 'লমন' উপন্যাসকী মিংথোল অসি অইবনা কদায় ফাওবা চাননা থোনবগে নৈনৌ। 20

(b) আর. কে. এলাংবমগী 'করিনুংগীনো' হায়বা ৱারীমচাদা মহাক্কী খুৎইগী, অমেঙবা লোন অমদি নীংথিজবা পাউদমগী থোইদোকপা মশক কদায় ফাওবা থেংনবগে নৈনরকউ। 15

(c) 'শামুখোংগী বিচার'দা চেন্নরিবা মরুওইবা মীশকশিংদু কনা কনানো? বিচার অদু করম্না চৎথখিবগে অমদি মরাল লৈবা মীশকশিং অদুগী মরাইবক করি ওইখিবগে ইরকউ। 5+10=15

**7.** ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম খুদিংমক খুমগদবনি :

(a) 'মেত্রিক পাশ'তা জি. সি. তোংব্রাগী খুৎই, ফাগি অমসুং করেম্নবগী মশক নীংথিনা থেংনৈ হায়বসি য়ানীংব্রা নৈনরকউ। 20

(b) "য়েংউ লাইরবী! যজ্ঞগী মৈরীদি চাক্লেসে, চাক্লেসে, চাক্লেসে, অঙকপা ফংনা অতিয়া তম্না, কাস্মে দেবায়?"

'লাইরবী' হায়রিবসি কনাবুনো, করম্বা ফিভমদা অসুম্না হায়রিবনো নৈনৌ। 15

(c) 'খম্বা থোইবীগী ৱারী অমসুং মহাকাব্য'দা চাউবনা খম্বা অমসুং থোইবীগী শক্তম (চরিত্র) করম্না শীংথাবগে নৈনরকউ। 15

**8.** ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম খুদিংমক খুমগদবনি :

(a) "খঙলে চেক্লা খঙজরে
প্রকৃতিনা থারকপনি নঙসে
তম্বিনবা বিশ্বপ্রেম।"

কবিনা চেক্লাবু বিশ্বপ্রেম তম্বিনবা প্রকৃতিনা থারকপনি লৌরিবগী মরম মপুং ফানা নৈনদুনা তাকউ। 20

(b) নারদনা করি মরমগীদমক কংসবু ধনুর্যজ্ঞ তৌনবগী থৌরাং তৌহনখিবনো মমূৎতানা ইরকউ। 15

(c) চীংঙাখম পিশক্লা 'সমাজ অমসুং সংস্কৃতি' হায়বা ৱারেংদা সংস্কৃতিবু করম্না মশক তাক্লিংবগে? মহাক্লা মৈতৈগী সংস্কৃতিবু করম্বা থাক্তা থম্নীংবগে হায়বদু নৈনরকউ। 15

★★★